লৈখিদ্রবা জমান্দার ৱাইখোম রোনাল্ডগী মফমদা মণিপুর পুলিসকী এ দি জি পি কাইলুন, আই জি পি প্রিয়োকুমার, দি আই জি (জি পি) মমতা ৱাহেংবম য়াওনা পুলিসকী মকোক থোংবশিংনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

লামায় ৪

অন্দ্রোগী চফুপোকপীগী শেংলবা উমংলাইগী লাইফমলেন্দা মোংফম ওইশিল্লিবসি অথুবা মতমদা লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌরদুনা ওল অন্দ্রো মৈরা পায়বী এসোসিএসন্না পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিং

লামায় ৪

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কম্মান্দোগী টিম অমনা তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা লালহৌবা লূপ অমগী মীওই ৩ দিমান্দ লেট্টর ৩ অমদি হেন্দ গ্রেনেদ ৩৪গা কোন্ননা ফাগৎখিবা



লামায় ৭

হৈরোক এ সীগী মীরেপ ওইনা থোক্কদৌরিবা এন দিতেনগী মীৎয়েং মখাদা হৈরোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লৌরেম্বম অরিপাৎ ৩৩/১২গী কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা অৱাবা তারবা খুঞ্জাশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

লামায় ৫

ষ্টেট লেভেলগী থাক্তা কোভিদ-১৯গী এৱ্রেনের্স এন্দ এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী মথৌ চপ চানা তৌহল্লু

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস): হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ফীভম অসি কনশিল্লকপগা লোয়ননা এক্তিভ কেস অমসুং শিবা-নাবগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। নোংমদা কোভিদ পোজিটিভ কেস ৩০০গী মথক্তা লাল্লকপা হায়বসি তঙাইফদনা কোভিদকী সেকেন্দ ৱেভ অসিদগী লাকশিন্নবগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্লা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা মীয়াম্নসু কোভিদ এপ্রোপিএট বিহেবিয়রশিং শুংশোয় শোয়দনা ঙাকপীনবা পিপলস টাস্ক ফোর্স কোভিদ-১৯গী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

লূপ অসিগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগেন্দা ইন চার্জ এম অঙম্বা মৈতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ লাকত্রিঙৈদা মীয়াম্না লৈকায় লৈকায়দা কোভিদ টাস্ক ফোর্স য়ুনিটশিং, ক্লব, খুল ওথোরিটিনা চপ চানা লৌখৎখিবা থৌওংশিং অদু হন্দক্কী সেকেন্দ ৱেভ অসিনা হেন্না শন্দোকপা থুবা, অনাবা মশীং হেনগৎলকপা অমদি শিবগী চাং ৱাংবা মরম্না চপ চাবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগী পায়খৎফম থোকপা থবকশিং অদু লোকল কোভিদ টাস্ক ফোর্স য়ুনিটশিং, ক্লব, ভিলেজ ওথোরিটিগী মীহুৎশিংনা হৌবীনবা হায়রি।

লৈঙাক্লা কোভিদ লাকশিন্নবা কম্যুনিতি ইনভোল্বমেন্ট লৈহন্নবা এমেন্নি কন্সটিটুয়েন্সি, দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, ষ্টেট লেভেলগী থাক্তা লৈখিবা কোভিদ-১৯গী এৱ্রেনের্স এন্দ এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী চপ চাবা মথৌ তৌবা ফংহন্নবা আপিল তৌরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক কোভিদ সেকেন্দ ৱেভ অসি মফম খরদা পাক শন্না য়াম্না অথুবা মতমগী মনুংদা শন্দোরকপা অসি থিংনবগীদমক মীয়াম্নসু চপ চানা ইশা ইশানা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা থবকশিং পায়খৎপা চঙই। শুংশোয় শোয়দনা ফেস মাস্ক উপ্পা, ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাকপা, য়ারিবমখৈ মীয়াম তিনবগী থবক, চাকচা-হৈজানবগী থবক থৌরম পূম্নমক তোকপীয়ু। মরম অদুনা য়ুমদগী মফম অমদগী অমদা কোয়চৎ চৎপনচিংবা পুমতোক তোকপীয়ু। কৈথেলদা তঙাইফদবা পোৎ চৈ লৈবদা পোৎ চৈশিং য়োল্লিবশিং অমদি লৈবশিংনা তঙাইফদনা কোভিদতগী ঙাকথোক্লবা চৎন-কাঙলোনশিং চপ চানা ঙাকপা চঙই। মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ক্লব, ভিলেজ ওথোরিটি অমদি কোভিদ টাস্ক ফোর্স য়ুনিটশিংনা খুঙ্গং খুদিংমক্তা তমথীরবা লাইচৎ অসিগী ওইরক্লিবা শক্তম অসি মীয়াম পূম্বদা ফংদুনা পোৎ চৈ য়োনফম দুকানশিং হাংহনবা, পোৎ লৈচবা ফেস মাস্ক উপ্পগা লোয়ননা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং থম্বগী কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎনবগী য়াম্না অকনবা থবক লৌখৎপীয়ু। মতম চানা মী য়াম্না তিনবা ধর্ম্ম-কর্ম্মশিং, লাইশোনগী থবক পূম্বা লৈকায়দা তৌবদা মমীংখক্কী ওইনা খ্বাইদগী হন্থবা চাংদা লৈঙাক্লা অয়াবা পীবা মী তিনবগী মশীংদগী হেন্দনবা অকনবা থবক পায়খৎপীয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

ষ্টেট লৈঙাক্লসু হৌজিক কোভিদনা নাবগী মশীং হেনগৎলকপা অমদি শিবগী চাংসু ৱাংখৎলকপা অসিদা তঙাইফদনা লৈঙাক্লা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং থুনা য়াঙনা খুমাঙ চাওশিন্না পায়খৎপীনবা হায়রি। হৌজিক এপ্রিল থা লোইদ্রিঙৈদা ফংলিবা কোভিদনা নাবগী লৈরিবা এক্তিভ কেস অমদি শিবগী চাং অসি য়েংলুরবদি মমাঙদা অহানবা ৱেভতা পায়খৎখিবা কোভিদ থেংনখিবা থবকশিং, ম্যেন পৱার, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, আই সী য়ু বেদ, ভেন্টিলেটর, হীদাক লাংথক্কী মথৌ তাবা খুদিংমক হান্নদগী শরুক অনী হেন্না শেম শাবা চঙই। কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং হাংদোল্লগা দরকার ওইবা হেল্থ ক্যের ৱার্করশিং, ডাক্তর, নর্স, ষ্টাফশিং শেম শাবগা লোয়ননা মথৌ তাবা থবক অথুবা মতমদা পায়খৎপীয়ু হায়রি।

ফ্লাইট ৯না মীওই ১,০৪৪ রোম ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস): মণিপুরগী ৱাংমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা, নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পূন্না মীওই ১,০৪৪ রোম ঙসি ফ্লাইট ৯না ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৯.০৫ তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ- ২২৫১ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ১৭১ ইম্ফালদা পুশিল্লকখি। পুং ১০.২০ রোম তাবা মতমদনা ইন্দিগো ৬ঈ-৬১৮১ ফ্লাইট অসিনা কোলকটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৯৪ ইম্ফালদা পুরকখি। অয়ূক্কী পুং ১১.১৫ তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাটিদা পল্লম্বা মীওই ১৬৮ ইম্ফালদা পুরকখি।

নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.০৮ তাবা মতমদা এয়র ইন্দিয়া ৯আই - ৭৪১ ফ্লাইট অসিনা দিমাপুরদা পল্লম্বা মীওই ৩৯ পুরকখি। নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তাবদা এয়র ইন্দিয়া এ আই-৭১৫ ফ্লাইট অসিনা কোলকটাদা পল্লম্বা মীওই ৩৭ পুদুনা ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিল পুং ২.১০ তাবদনা ইন্দিগো ৬ ঈ- ২৬১৫ ফ্লাইট অসিনা দেল্লীদা পল্লম্বা মীওই ১৪৫ রোম ইম্ফালদা পুরকখি।

নুংথিল পুং ২.২০ তাবদা এয়র ইন্দিয়া এ আই - ৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫৬ ইম্ফালদা পুরকখি। নুংথিল পুং ২.৪০ রোম তাবা মতমদা ইন্দিগো ৬ ঈ-৬২৫৮ ফ্লাইট অসিনা কোলকটাদা পল্লম্বা মীওই ১০১ ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিল পুং ৩.১৫ রোম তাবা মতমদনা ইন্দিগো ৬ ঈ-৫২৪ ফ্লাইট অসিনা বেঙ্গলোর অমদি অগরটালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৩৩ রোম ইম্ফালদা পুরকখি।

মরকসিদা ঙসি মহারাষ্ট্র, কেরলা, কর্ণাটাকা, উত্তর প্রদেশ, টামিল নাদু, দেল্লী, এ পি, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ছটিসগর, রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ অমদি গুজরাটনচিংবা ষ্টেটতগী মণিপুরদা চঙলকপা নুপী ৭, নুপা ১২ পূন্না মীওই ১৯ ঙসি ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা আর টি পি সী আর তৌনবা সেম্পল লৌখি। লোয়ননা ঙরাং ইম্ফাল এয়রপোর্টতা আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌখিবা মীওইশিং অদু লোইনা নেগেটিভ ওইরে হায়রি।

এদ্যুকেসন অমদি ট্রান্সফর পোলিসি লৈতবনা লৈঙাক্কী মহৈ লোইশঙশিং শিথরক্লবগী মচাক ওইরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস): চহী কয়াগী মমাঙদগী মণিপুর লমদম অসিগী ওইজবা এদ্যুকেসন পোলিসি অমদি ওজাশিংগী ওইবা ট্রান্সফর পোলিসি লৈতবনা লৈঙাক্কী মহৈ লোইশঙশিং নোংমা নোংমগী শিথরক্লবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লে হায়না ওল ককচীং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অকসু) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন সেক্রেটরি এন রোনাল্ডোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা লৈঙাক্কী শিথরক্লবা স্কুলশিংবু নৌহৌননা হিংগৎনবা স্কুল ফগৎহনসি মিসন হৌদোক্তুনা অকনবা মওংদা হোৎনরক্লি। হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মনুং অসিদা মহৈরোয় কয়ানা মহৈ তম্বা ফংদনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা মমাঙথক্তা শোয়খিবা মেনেজমেন্ট কয়া অদু শেমদোক্লবা হোৎনবগী মহুত্তা ওজা কয়া হোংদোক হোংজিন তৌরক্লিবা অসি অকসুনা অঙকপা ফাওই।

ককচীং হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসি মণিপুরগী খা মায়কৈদা লৈরিবা মহৈরোয় খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা স্কুল অমা ওইবদা নত্তনা চীং অমদি খুঙ্গংগী মহৈরোয় কয়ানা তল্লিবা স্কুল অমসুনি। মসিদসু নত্তনা স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী মখাদা ৱাবগাই এ সীগী ওইনা য়াওরিবা স্কুল অমনি। কুমজা ২০১৯গী মে ৩১দা কম্মিস্নর এদ্যুকেসন (এস) না থোকখিবা ওর্দরদা য়াওরিবা পেরামিটর (ঈ) দা স্কুলশিংদা লৈরিবা ওজাশিং স্কুল অদুমক্তদা চহী অহুম মথৌ তৌগদবনি হায়বা চৎন-কাঙলোন লৈনা লৈনা করিগীদমক্তা ককচীং হায়র সেকেন্দরি ওজা ময়াংম্বম ব্রজবিনোদো অমসুং ক্ষেত্রিময়ূম মেঘচন্দ্রবু করিগী ট্রান্সফর তৌবিরিবনো?

স্কুল অসিদা হান্নদগী হৌনা সোসিওলোজিগী ওজা ৱাৎপনা ক্ষেত্রিময়ূম মেঘচন্দ্রবু য়ুটিলাইজ তৌদুনা লৈরিবনি। লোয়ননা ফিজিক্স দিপার্টমেন্টতসু ওজা মরি লৈবদা ওজা অমনা ভি পি ওইখ্রবনিনা ওজা অহুমনা ক্লাস তরুক্তগী ১২ ফাওবা মেনেজ তৌনবা হোৎনবদা অরুবা ফীভম অমা ওইদুনা লাক্লিবনি। কো করিক্যুলর এক্টিভিটিজ কয়াদসু মাঙজিল থারিবা ওজা অনী অসিবু মরম চাদনা ট্রান্সফর তৌবীখিবা অসি স্কুল ফগৎহনসি হায়বগী মহুত্তা স্কুল অসি মুখৎলগে হায়বগা পান্থ্বাক ওইরে।

হৌজিক হৌজিক মহৈরোয় পূন্না ৬০০ হেন্না লৈরিবা স্কুল অসিদা ওজা অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়াগী অৱাৎ অপা ময়াম অমা লৈরিবনি। লৈঙাক অসিনা থোকখিবা ওর্দর অমবু থুগাইরগা ওর্দর অমা অমুক থোক্লিবা অসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। মরম অদুনা ওর্দর অসি অথুবা মতমদা ককপীদ্রবদি অকসুনা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংগা খূৎশম্নদুনা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা হোৎনরগনি। লৈঙাক্কী অসুক ফজখ্রবা স্কুল ফগৎহনসি মিসনবু ফাগি তাহনবীগনু হায়না অকসুনা লৈঙাক অমদি এদ্যুকেসন মিষ্টিরগী মফমদা আপিল তৌজরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘বাসিখোং পি ঐচ সীদা ভেক্সিন ৱাত্তনা লৈরি’

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মীশি মীনা হেনগৎলকপদগী মীয়াম্না মীপাইনদুনা হৌজিক চহী ৪৫গী মথক্তা লৈবশিং হোস্পিটাল, কম্যুৎনতি হেল্থ সেন্টর অমদি প্রমারি হেল্থ সেন্টরশিংদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পগী থবক চথুরিঙৈ মনুংদা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বাসিখোং প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরদা অয়ূক্কী পুং ১০দগীনা নুংথিলগী পুং ৫ ফাওবা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক লেপ্তুনা চথুখি।

হান্না মীং চল্লগা অথেংবদা কাপচগে হায়না মশক নাইবা মীওই খরদি অথেংবদা লাক্লুগা কাপখি। ঙসিগী ওইনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন লোইথোকখিবদগী মীওই খরদি কাপ্পা নংখিদে। অদুবু অৱাৎপা ভেক্সিন অদু অমুক লৌরুরগা হৌজিক পি ঐচ সীদা লৈরে। হয়েং অসি মে দেগী ছুটি ওইবনা মথংগী নুমিৎতা কোভিদকী ভেক্সিন অসি মখা তানা কাপকনি। হৌজিক পি ঐচ সীদা ভেক্সিন ৱাত্তনা লৈরি হায়না পি ঐচ সী অসিগী ষ্টাফতগী ফংবা পাউনা হায়রি।

‘উমংলাইগী লাইফমলেন্দা মোংফম ওইশিনবা লৌথোকউ’

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা অন্দ্রোগী চফুপোকপীগী শেংলবা উমংলাইগী লাইফমলেন্দা মোংফম ওইশিল্লিবসি অথুবা মতমদা লৌথোকউ। মৈহৌরোলদগী অন্দ্রোগী খুনদা চহী খুদিংগী ইঙেনগী অহানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মহৈ মরোংদা তীল তাদনবা অমদি চাদনবা হায়দুনা ঈরাৎ থৌনি থৌরম তৌদুনা লাক্লিবনি। মফমসিদা অশিবা ফুম্বা হায়বসি মৈতৈ ফুরুপ অমদি অন্দ্রো মীয়াম্বু উশিত্তবনি হায়না ওল অন্দ্রো মৈরা পায়বী এসোসিএসন্না ফোঙদোরক্লি।

ওল অন্দ্রো মৈরা পায়বী এসোসিএসনগী সেক্রেটরি চীংঙাখম উমাশোরিনা হায়, লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা শন্দংশেনবা মরিং খুনগী লৌতাংশঙদা লৈরগা শিখিবা মীওই অমা অন্দ্রোগী শেংলবা উমংলাই চফুপোকপীদা ফুল্লিবা অসি অথুবা মতমদা লৌথোকউ। অন্দ্রোগী মীয়াম্না মার্চ ২৯দা ৱারী শাননবা হোৎনবদা শন্দংশেনবা মরিং খুননা অন্দ্রোগী মীয়ামদা ওনশিন্দুনা নোংমৈনা কাপখি অমদি থৌদোক্তুদা মীওই অহুম শোকখি। শন্দংশেনবা মরীং খুনগী কা হেনবা কয়া অদু ঙসি ফাওবদা অন্দ্রো মীয়াম্না খাঙদুনা লাক্লি। ওল অন্দ্রো মৈরা পায়বী এসোসিএসনগী মীফম অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অন্দ্রো মীয়ামদি শন্দংশেনবা খুনগী মীয়ামদা করিগুম্বা মখলগী অশোক অপন নংগদবা থবক তৌখিবা লৈতে। মতাং অসিদা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা লানগী মৈরি চুখৎকনু হায়না অকনবা ৱাফম থম্লক্লি।

জমান্দার ৱাইখোম রোনাল্ড লৈখিদবগী ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস): অসাম অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী জেনরেল ইলেক্সনদা হন্দক তাঙ্কক অহুম অমদি নিপান থোক্লা পাঙথোকখিবা মীখলদা সিক্যুরিটি ওইনা দিপ্লোই তৌখিবা মণিপুরগী তরুকশুবা এম আরগী জমান্দার ৱাইখোম রোনাল্ড (৩৬) অপোকপা ইবোহল, থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ঙসি অয়ূক গুৱাহাটিদগী পোল্লফম লমদম থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দা পুরকখ্রে।

মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু পুরক্লবা মতুং লৈখিদ্রবগী ফোটোদা মণিপুর পুলিসকী এদিসনেল দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এল কাইলুন, ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস প্রিয়োকুমার, দি আই জি (জি পি) মমতা ৱাহেংবম য়াওনা অমদি পুলিসকী মকোক থোংবশিংনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

পনবা য়াবদি ৱাইখোম রোনাল্ড অসাম অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ইলেক্সন য়াওরুরগা কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী গুৱাহাটি মেদিকেল কোলেজদা লায়েংলবা মতুংদা লৈখিদবনি। মহাক্কী পিক্লিবা মচানুপী ২ অমদি লোয়নবী লৈহৌরি।

কোভিদ-১৯ সেকেন্দ ৱেভকী কমপ্লেন কন্ট্রোল সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী শাফুনা কনশিল্লকপা অসি য়েংলগা শিন্মী ইচিন ইনাওশিংনা মরু ওইনা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংনা থেংনগদবা খুদোংচাদবা কয়াদা মতেং পাংনবগীদমক সেন্ট্রেল লেবর কম্মিস্নর ভারতিয়া মজদুর সঙ্ঘ ন্যু দেল্লীদা এফিলিএসন তৌরবা মণিপুরগী য়ুনিয়নশিং অমদি ওল মণিপুর ট্রেদ য়ুনিয়ন কাউন্সিল (এ এম টি য়ু সী) গা পূল্লগা ঙসি লম্ফেল সনা কৈথেলদা লৈবা এ এম টি য়ু সীগী ওফিসতা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট তোকপম টিকেন্দ্রজিৎনা কমপ্লেন কন্ট্রোল সেন্টর অমা হাংদোকখ্রে হায়না য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরি বল্লু ৱাহেংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এস ও পি ঙাক্লা চন্না পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ভারতিয়া থেকা মজদুর মহাসঙ্ঘগী কেন্দ্র অধিকারি এ প্রেমকুমার, এম এস পি বি সী এল ঈ ঈ য়ুগী প্রসিদেন্ট চনম গ্যানেন, ট্রেজরর এম দি জাকির হুসেন, ঈ রিক্সো ৱার্করস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সনাতোম্বা, ওল মণিপুর এ এন এম পার্ট বি কন্ট্রেক্ট এমপ্লোয়ীজ য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি কে জয়ারানি, আই সী এ আর ৱার্করস য়ুনিয়নগী এগজিক্যুটিভশিং, রিমস সুলাভ ৱার্করস য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি, সফাই কর্ম্মচারি সঙ্ঘ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল নুংশিতোম্বী, এক্স আউট সোর্স ৱার্করস য়ুনিয়নগী এগজিক্যুটিভশিং, এন আই আই টি মণিপুর কন্ট্রেকচ্যুএল য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এন নিলমনি, আই দব্লিয়ু দি য়ু ও দব্লিয়ু য়ুগী এম টিকেন, য়ঙ ৱিমেন্স ষ্ট্রীট ভেন্দর ৱেলফ্যের য়ুনিয়নগী ট্রেজরর অখাম দাইনা অমদি আই এল দব্লিয়ু এস ভি দব্লিয়ু য়ুগী ভাইস প্রসিদেন্টগা লোয়ননা চাউরাক্লা য়ুনিয়ন ১৭ হেনবগী মীহুৎশিং ভিদিও কনফিরেন্সিংগী খূত্থাংদা শরুক য়াখি হায়রি।

কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসি ঙাকথোক্লবা মীয়াম্না ভেক্সিনেসন কাপথোকপীয়ু: ঐচ দিঙ্গো

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ জোইন্ট কম্মিটিগী কো কনভিনরসু ওইরিবা সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ঐচ দিঙ্গোনা কুপ্না মোনিটর তৌদুনা পাক শন্না এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা সেকমাই কম্যুনিতি হেল্থ সেন্টর, খুরখুল প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর অমদি ফয়েং প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরনা কোনবা মফমশিংদা মীয়াম্না কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক চথুরিবা অদু কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

ঙসি পূন্না এ সী অসিগী সেন্টর অহুমদা মীওই ৯০০ লোম কোভিদ-১৯গী ভেক্সিসেন কাপথোকখিবগা লোয়ননা পূন্না হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশীং ৪ রোম কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা ঙমখিবা অদুদা এম এল এ দিঙ্গোনা অপেনবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মীপূম খুদিংমক শুংশোয় শোয়দনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পীনবা হায়খি। ভেক্সিন কাপথোকখিবা অসিনা ঐখোয় পূম্নমক কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্কদৌরিবনি। অদুগা লৈঙাক্লা লাউথোক্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপীদুনা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসিদগী কনবা ঙম্নবা হোৎনসি। মরম অদুনা মীয়াম পূম্নমক্লা ইশা ইশানা হায়নবা তৌদনা লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু। লোয়ননা লুচিংবা পূম্নমক্লা কোভিদকী ভেক্সিন কাপথোক্লিবা অসিদা মীয়ামসু তুং ইন্দুনা কাপথোকপীয়ু হায়খি।

মরকসিদা দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, সেকমাই এ সীগী এম এল এ ঐচ দিঙ্গো, দি সী ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল পুলিসকী এস পি অমদি লমশাং এস দি ও য়াওনা পূন্না ঙসি অয়ূক লম্বোই খোংনাংখোংদা ষ্টেট কোভিদ ক্যের সেন্টর অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অমদি অৱাৎ অপানচিংবা য়েংশিনখি।

লৈঙাক্লা ফাইন ওইনা লুপা ১,৭২,৯৬০ খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা হৌজিকমী শিবা অমদি নাবগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবা মীওইশিংগী মথক্তা পুলিসনা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা মফমদা দ্রাইভ চথুবদা ফাইন ওইনা লুপা ১,৭২,৯৬০ খোমগৎখ্রে হায়রি।

মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি মায়োক্লনবা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং য়ূমদগী মপান থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্তবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং ঙসি পুন্না ৬১০ দিটেন তৌখি। মখোয়শিং অদু মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা পুলিসনা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা ১,৭২,৯৬০খোমগৎপা ঙমখি হায়রি।

ঙসি পুলিসনা তোঙান তোঙানবা মফমদা মীওই ৬১০ দিটেন তৌখিবা অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মীওই ২৫০, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১৪, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৩১৪, ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৩, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ২৭, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১ অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ১ দিটেন তৌখি।

পুলিসনা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯গী দ্রাইভ চথুবা অমদি গাড়ীগী চে চাং য়াওদবা মীওইশিংদগী ফাইন ওইনা অপূনবা শেনফম লুপা ১,৯০,৪২,২৭০ রোম খোমগৎপা ঙমখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী নোদল ওফিসর (কোভিদ-১৯) ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (ওপস) ই প্রিয়োকুমারনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবা মীওইশিংগী মথক্তা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা লিগেল এক্সন লৌখৎফা য়াই হায়রি।

কোভিদ লাইচৎ থেংননবা বি জে পি লমলাই মন্দল কৌবা টাস্ক ফোর্স শেমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস): বি জে পি মণিপুরনা চঙশিল্লকপা সেবা হি সঙ্গথন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ ফাইটিং টাস্ক ফোর্স বি জে পি লমলাই মন্দল কৌবা টাস্ক ফোর্স অমা লাইচৎ অসি থেংননবা শেমখ্রে হায়না টাস্ক ফোর্স অসিগী চ্যেরমেন ওইরিবা বি জে পি ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর কে ঐচ ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

টাস্ক ফোর্স শেম্বগী থৌরম অদুদা কে ঐচ ইবোমচানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক হৌজিক লমলাই এ সী অসিগী এম এল এ লৈতবদগী অতৈ এ সীশিংদা শেম্নবা এম এল এনা চ্যেরমেন ওইবা কম্মিটি অমমম লৈনরিবা অদু লৈতবনা খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া থেংনরকপদগী বি জে পি লমলাই মন্দল, জিলা পরিষদ মেম্বর, প্রধান অমদি ৱার্দ মেম্বরনচিংবগী মীফম অমা ফম্লদুনা টাস্ক ফোর্স অসি শেমখিবনি।

হৌজিক নোঙাদাদা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা পুং ২৪ x ৭ থবক তৌগদবা কন্ট্রোল রুম অমসু হাংলে। কন্ট্রোল রুম অসিগী মোবাইল নম্বর ৮৭৮৭৫২৪২৪৩, ৯৬১২১৩০৮৩৯ অমদি ৮৭২৯৮১১১৭০দা পাউপীবিরকপা য়াগনি। টাস্ক ফোর্স অসিনা মশাদা করিগুম্বা কোভিদ-১৯না নারল্লগনি হায়না চিংনবা লৈরবদি টাস্ক ফোর্স অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকপা য়াগনি। লোয়ননা করিগুম্বা তঙাইফদনা কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী হোস্পিটালদা পুবগী মথৌ তারকপা মতমদসু টাস্ক ফোর্স অসিনা মতেং পাংগনি। টাস্ক ফোর্স অসিনা এ সী অসিদা লৈরিবা মফম শীনবা থুংনা থবক তৌবদা অৱাবা কয়া থেংনগদবনা লৈকায় লৈকায়গী ক্লব, মৈরা পায়বী, খুন কম্মিটি অমদি তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিগী থৌমীশিংনসু শরুক য়াবগা লোয়ননা মতেং পাংবীয়ু। ঐখোয় পূন্না তমথীরবা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনম্নসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হিল ট্রাইবেল কাউন্সিলনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস): ম্যান্মারগা তাইনবা মফমদা লৈরিবা মোরেগী মীয়াম্না হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অসিগী য়েংলগা ৪৩ অসাম রাইফল্স অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মতেং কয়া পাঙ্গলকখিবা অদুবু হিল ট্রাইবেল কাউন্সিলনা থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মোরেগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগীদমক য়ুনিফোর্মদা লৈরিবা অমদি সিবিল বোদিশিংনা মতেং পাংবিনবা অপিল তৌরক্লি।

ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফিভম অমদি কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মোরেগী মীয়াম্না অৱাবা কয়া ময়োক্লরিঙৈ মরকসিদা এ আর অমসু পুলিস পর্সোনেলশিংনা কম্যুনিটি সর্বিস কয়া পাঙথোক্লিবা অসি য়াম্না পুক্নিং থৌগৎনিঙাই ওই হায়না কাউন্সিল অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

Ref :- Mut. Case No. 306/SDC/YPK/2021 Dtd. 29/4/2021

Parties :- Lourembam Manichandra Singh S/o Late Munal Singh of Chandrakhong. ...*Petitioner*

-Vrs-

Late Khangembam Ongbi Leihao Devi W/o Late Lourembam Munal Singh of Chandrakhong. ...Opp

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Yairipok, the 29th April 2021

Under Section 46 (3) of MLR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১১২ - চন্দ্রাখোং পাট্টা নং ১৪৮ অরিবা, ২৯৬ অনৌবা, দাগ নং ১০৬৫, এরিয়া .১০৬৫ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার খাঙেম্বম ওংবী লৈহাও দেবী পতি মৃ: মুনাল সিংহ সাং চন্দ্রাখোংদা লৈবী অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নমা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

HL-P/9188/1 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Yairipok

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

Ref :- Mutation Case No. 270/AS & SO dt. 26/04/2021

1. Mayanglambam Prakash Singh S/o M. Indrajit Singh of Kakching Paji Leikai (acre 1.04)
2. -do- Sabitri Devi W/o (L) Rajen Singh of -do- (acre 1.04)

-Vs-

Mayanglambam Gulapyaima Singh S/o (L) Shangai Singh of Kakching Khullen.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 26/04/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা ককচীং তহশিল খুন নং ৬০-লাইজিং পাট্টা নং ১২৬/৭১ (অনৌবা), দাগ নং .৮১, এরিয়া ২.০৮ লৌফম অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার ময়াংলম্বম গুলাপয়াইমা সিংহ পী: মৃ: শঙ্গাই সিংহ সাং ককচীং খুল্লেন অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং ককথৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা অঙনফৌ লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চত্থরগনি।

HL-B/6958/1 *Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching